# ইন্টরনেসনল, নেসনল চেম্পিয়নশিপ্তা মীংচৎ পুরকখ্রবা বেদমিন্টন শান্নরোয়শিং ওকখ্রে




ইম্ফাল, মার্চ ২২ (ঐচ এন এস) :

মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএশন্না শিন্দুনা ঙসি দি এম কোলেজ কেম্পসতা লৈবা মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএশনগী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ইন্টরনেসনল অমদি নেসনলগী চেম্পিয়নশিপশিংদা শরুক য়ারুদুনা মিংচৎ পুরকখ্রবা মণিপুগী বেদমিন্টন শান্নরোয়শিং অমদি রেফ্রিশিং হরাও তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ওকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএশনগী থৌ পুবশিং, শান্নরোয়েশিং অমদি য়ুনাকো স্কুলগী ষ্টাফশিং শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা য়ুনাকোগী মীহুৎশিংনা মণিপুরগী ইনখৎলক্লিবা শক্লাইরবা সট্টলর এম মৈরাবা লুৱাংদা অনীশুবা তাঙ্ককী ওইনা চহী অমগী লুপা লাক্ষ ১ খুৎশিন্নখি। অদুগা সট্টলর কে ঐচ মঞ্জিৎ সিংহ অমসুং কে দিঙ্কু সিংহদা লুপা লিশীং ৫০/৫০ সু চহী অমগী ওইনা পীখি।

য়ুনাকোনা শান্নরোয় অহুমদা পীরিবা শেনফমশিং অসি মমাঙ চহীদগী পীবা হৌখিবনি। মৈরাবা লুৱাংগীনা চহী অহুমগী ওইনা লুপা লাক্ষ ৩ ফাওবা ফংগনি। অদুগা কে ঐচ মঞ্জিৎ অমদি কে দিঙ্কুনা চহী অহুমগী ওইনা লুপা লিশীং ১.৫/১.৫ ফংগনি।

হরাও তরাম্না ওকখ্রবা সট্টলরশিং অদুদি ৱর্ল্ড ভেটরান বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারুরবা আর কে বিজয় সিংহ, সী ঐচ বিনোয় সিংহ, এল লবঙ্গো সিংহ, সী ঐচ বিমোল সিংহ, এল কুমার সিংহ, সী ঐচ প্রেমানন্দা রোয়, ঐচ পারুন সিংহ, দব্লিয়ু অমুস্না মীতৈ, ৱাই সমরেন্দ্র সিংহ অমদি আই শান্তিকুমার সিংহনি।

কুমজা ২০১৬ কী অৱাং নোংপোক্কী ওইনা পাঙথোকপা টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারুরবা সট্টলরশিং আর কে সিনির সিংহ (মেন'স দবলসকী রন্নর্স-অপ), দব্লিয়ু জেমস সিংহ, ও আইমোন সিংহ (বোইজ সিঙ্গলস অন্দর-১৯ রন্নর্স-অপ), ৱাই ধনবতি চনু (মিক্স দবল অন্দর-১৯ রন্নর্স-অপ), এম সোমিবালা (ৱিমেন'স দবলস ৱিন্নর) অমদি এন নিরুপমা দেবীনি।

নেসনল মেদলিষ্টতা অন্দর-১৭ বোইজ সিঙ্গলসকী ইন্দিয়াগী রেঙ্ক নম্বর ৱান ওইবদা নত্তনা কুমজা ২০১৫ গী স্বিস জুনিয়র ওপনগী ৱিন্নর, কুমজা ২০১৪ গী ক্য-সিঙ্গাপুর য়ুথ ইন্টরনেসনলগী রন্নর্স-অপ অমদি কুমজা ২০১৪ গী এরোস জুনিয়র কপকী ৱিন্নর ওইখ্রবা এম মৈরাবা লুৱাং, অন্দর-১৭ বোইজ দবলসকী ইসন্দিয়াগী রেঙ্ক নম্বর ৱান ওইবদা নত্তনা কুমজা ২০১৬ কী অন্দর-১৭ বোইজ দবলস, জুনিয়র নেসনলগী ৱিন্নর, কুমজা ২০১৬ তা পাঙথোকখিবা ১৫ শুবা য়ুনিয়ন বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া জুনিয়র রেঙ্কিং বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী অন্দর-১৭ বোইজ দবলসকী ৱিন্নর অমদি কুমজা ২০১৬ কী ১২ শুবা সাউথ এসিয়ন গেমসকী ৱিন্নর কে ঐচ মঞ্জিৎ সিংহ, অন্দর-১৭ বোইজ দবলসতা ইন্দিয়াগী রেঙ্ক নম্বর ৱান ওইরিবা অমদি কুমজা ২০১৬ কী জুনিয়র নেসনলগী অন্দর-১৭ বোইজ দবলসকী ৱিন্নর, কুমজা ২০১৬ কী বেঙ্গলোরদা পাঙথোকখিবা ১৫ শুবা য়ুনিয়ন বেঙ্ক ওল ইন্দিয়া জুনিয়র রেঙ্কিং বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা অন্দর-১৭ বোইজ দবলসকী ৱিন্নর অমদি কুমজা ২০১৬ কী ১২ শুবা সাউথ এসিয়ন গেমসকী ৱিন্নর কে দিঙ্কু সিংহ, বোইজ সিঙ্গলস অন্দর-১৫ গী ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান রেঙ্কতা লৈবদা নত্তনা দবলসকীদসু ইন্দিয়াগী রেঙ্ক নম্বর ৱান অমদি টামিল নাদুদা চহী অসিদা পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিয়া সব জুনিয়র রেঙ্কিং বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা বোইজ সিঙ্গলস অন্দর-১৫ গী ৱিন্নর, কুমজা ২০১৬ কী বিজয়ৱাদাদা পাঙথোকখিবা ৩১ শুবা সব জুনিয়র বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী বোইজ দবলস অন্দর-১৫ গী রন্নর্স-অপ তাখিবা বিদ্যাসাগর সলাম, অন্দর-১৫ বোইজ দবলগী ইন্দিয়াগী রেঙ্ক নম্বর ৱান ওইবদা নত্তনা চহী অসিদা টামিল নাদুদা পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিয়া সব জুনিয়র রেঙ্কিং বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী বোইজ দবল অন্দর-১৫ গী রন্নর্স-অপ অমসুং কুমজা ২০১৬ তা বিজয়ৱাদাদা পাঙথোকখিবা ৩১ শুবা সব জুনিয়র নেসনল বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী বোইজ দবলস অন্দর-১৫ গী রন্নর্স-অপ তাখিবা পুন্সিবা য়েংখোম, অন্দর-১৩ বোইজ সিঙ্গলসকী ইন্দিয়াগী অনীশুবা রেঙ্কতা লৈবদা নত্তনা কুমজা ২০১৬ তা বিজয়ৱাদাদা পাঙথোকখিবা ৩১ শুবা সব জুনিয়র নেসনল বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা বোইজ সিঙ্গলস অন্দর-১৩ গী ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবা অমদি কুমজা ২০১৬ তা হায়দ্রবাদতা পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিয়া সব জুনিয়র রেঙ্কিং বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবা আর কে উপানন্দা, অন্দর-১৩ বোইজ সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী নিপানশুবা রেঙ্কতা লৈরিবা অমদি ওল ইন্দিয়া সব জুনিয়র রেঙ্কিং বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী বোইজ সিঙ্গলসকী অন্দর-১৩ গী রন্নর্স-অপ, নোর্থ ইষ্ট জুনিয়র প্রাইজ মনি বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৬ তা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবা অমসুং ৩১ শুবা সব জুনিয়র বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী বোইজ দবলস অন্দর-১৩ দা ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবা চঙখিবা জোমি সিঙ্গম, নোর্থ ইষ্ট জুনিয়র প্রাইজ মনি বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী বোইজ সিঙ্গলস অন্দর-১৩ গী রন্নর্স-অপ অমদি ৩১ শুবা সব জুনিয়র নেসনল বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী বোইজ দবলস অন্দর-১৩ গী ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবা চঙখিবা সিরজীৎ মোইরাংথেম, কুমজা ২০১৬ তা পাঙথোকখিবা পি এন বি মেটলাইফ ওল ইন্দিয়া বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী বোইজ সিঙ্গলস অন্দর-১১ গী রন্নর্স-অপ কেলবিন ফৈরোইজম, নুপীমচাগী সিঙ্গলস অন্দর-১৫ গী ইন্দিয়াগী রেঙ্কিংদা লৈবদা নত্তনা কুমজা ২০১৬ তা কর্ণাটাকাদা পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিয়া সব জুনিয়র রেঙ্কিং বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী গার্লস সিঙ্গলস অন্দর-১৫ গী রন্নর্স-অপ তাখিবা কে এস ঐচ মহেশ্বরি দেবী অমদি কুমজা ২০১৬ তা বিজয়ৱাদাদা পাঙথোখিবা ৩১ শুবা সব জুনিয়র নেসনল বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী গার্লস সিঙ্গলস অন্দর-১৩ গী ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবা চঙখিবী ঐচ ভিলিন্দা চনুনি।

নেসনল অম্পায়র/রেফ্রিদা এন মেকেঞ্জি সিংহ, এ কে বোনি, এ কে প্রদিপ, এ লাইবা, এন রোবেন, কে দিনেশ্বর, জি এ চিত্তরঞ্জন শর্ম্মানি।

# ইন্টর সাই ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা দিনিকুমারনা ইপি ইন্দিভিজুএলদা গোল্ড লৌখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ২২ :

কেরলাগী কোনুরদা চথরিবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর সাই ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৭-১৮ গী ঙসি হুমনি চনবা নুমিৎতা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াখিবা সাই এস এ জি ইম্ফালগী ফেন্সরশিংনা গোল্ড মেদল ২, ব্রোঞ্জ মেদল ১ লৌখ্রে।

থা অসিগী ২৪ ফাওবা চথগদৌরিবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর সাই ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপকী ঙসি হুমনি চনবা নুমিৎতা মেদল লৌরকখ্রবা ফেন্সরশিং অদুদি ঈ দিনিকুমার সিংহ, কে ঐচ অমর সিংহ, ও কে বিদ্যানন্দা সিংহ, টি ঐচ বেনিস সিংহ, এল সঞ্জয় সিংহ অমদি আই নোংলেমখোম্বনি।

নুপাগী জুনিয়র ইপি ইন্দিভিজুএলদা ঈ দিনিকুমার সিংহনা গোল্ড মেদল লৌখি। অদুগা ইভেন্ট অসিমক্তা কে ঐচ অমর সিংহনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

নুপাগী জুনিয়র বোইজগী ইপি টিম ইভেন্টতা ও কে বিদ্যানন্দা সিংহ, টি ঐচ বেনিস সিংহ, এল সঞ্জয় সিংহ অমদি আই নোংলেমখোম্বনা গোল্ড মেদল লৌখি।

পনবা য়াই, ঙরাং নীনি চনবা নুমিৎতা এল সঞ্জয়, জি প্রিয়ালক্সমি, টি ঐচ বেনিস অমসুং দব্লিয়ু সোনিয়ানা মেদলশিং লৌখিবনি।

নুপাগী ফোইল ইন্দিভিজুএলদা এল সঞ্জয়না গোল্ড মেদল লৌখি। কেদেট বোইজ ইন্দিভিজুএলদা মণিপুরগী টি ঐচ বেনিসনা শিলভর মেদল ফংখি। নুপীগী ফোইল ইন্দিভিজুএলদা জি প্রিয়ালক্সমিনা গোল্ড মেদল লৌখি অদুগা নুপীগী কেদেট ইন্দিভিজুএলদা দব্লিয়ু সোনিয়ানা শিলভর মেদল ফংখি।



HL-P/1010/03/03-6/04

# গভর্ণরস কপ পোলো টুর্ণামেন্টতা এম পি এস সী সী, আই টি পী সী অমসুং এক্স পোলো ক্লব মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ২২ :

মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএশন্না শিন্দুনা ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা ঙসিদগী অমুক হন্না চথবা হৌখ্রবা ২৭ শুবা গভর্ণরস কপ ইনভাইটেসন পোলো টুর্নামেন্ট অমদি ১৬ শুবা গভর্ণরস কপ ৱিমেন'স পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী অহানবা গ্রাউন্দগী মেচতা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম সীনা ইম্ফাল রাইদিং ক্লবপু পাঞ্জল ৭-২ দা, অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেচতা ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লবনা ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্ট ক্লবপু পাঞ্জল ৭-২ দা অমসসুং অহুমশুবা গ্রাউন্দগী মেচতা এক্স পোলো ক্লবনা কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুলবু পাঞ্জল ৪-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা গ্রাউন্দগী মেচতা ইম্ফাল রাইদিং ক্লব অমসুং এম পি এস সী টিম সীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখি। টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা চক্রদা ইম্ফাল রাইদিং ক্লবকী প্লেয়র টি লৈশেম্বনা মেচকী সেকেন্দ ৪৫ চৎপা মতমদা পাঞ্জল অমা চনখি। চক্র অসিদা এম পি এস সী টিম সীনা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা চক্রদা এম পি এস সী টিম সীগী প্লেয়র এস ভিকিংনা পাঞ্জল অনী অমসুং টি ঐচ রোমেন্না পাঞ্জল অনী চনখি। অদুগা ইম্ফাল রাইদিং ক্লবকী টি লৈশেম্বনা পাঞ্জল অমা চনখি।

অহুমশুবা চক্রদা টিম অমত্তনা পাঞ্জল চনবা ঙম্মখিদে। মরিশুবা চক্রদা এম পি এস সী টিম সীগী এস ভাইকিংনা পাঞ্জল অমা, এস অবুংচানা পাঞ্জল অমা অমসুং টি ঐচ রোমেন্না পাঞ্জল অমা চনখিদুনা এম পি এস সী টিম সীনা পূন্না পাঞ্জল ৭ চন্দুনা মায় পাকখি। ইম্ফাল রাইদিং ক্লবনা পাঞ্জল অনীখক্তমক চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেচতা ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্ট ক্লব অমদি ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব অনীনা শান্নরকখি। টিম অনীমক্না অহানবা চক্রদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা চক্রদা ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্ট ক্লবকী প্লেয়র কে সমানন্দনা পাঞ্জল অনী চনখি। অদুগা ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লবকী এম দোরেননা পাঞ্জল অমা, পি ওজিৎনা পাঞ্জল অনী অমদি এম মনিহারনা পাঞ্জল অমা চনখি। অহুমশুবা চক্রদা ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লবকী পি ওজিৎ অমদি এম দোরেন্না পাঞ্জল অমমম চনখি।

মখা তানা ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লবকী ও সমরজিৎনা মরিশুবা চক্রদা গোল অমগা চনখিদুনা ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্ট ক্লবপু পাঞ্জল ৭-২ দা মায়থীবা পীখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দগী মেচতা এক্স পোলো ক্লব অমদি কে এন্দ এম এম রাইদিং ক্লব অনীনা শান্নখি। মেচ অদুদা অহানবা চক্রদা এক্স পোলো ক্লবকী এল অতাংবনা পাঞ্জল অনী চনখি। কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুলদি চক্র অসিদা গোল চনবা ঙমখিদে। অনীশুবা চক্রদা এক্স পোলো ক্লবকী টি ঐচ জেকোবনা পাঞ্জল অমা চনখি। অদুগা কে এন্দ এম এম রাইদিং ক্লবকী ও সৈত্যজিৎনা পাঞ্জল অমা চনখি।

অহুমশুবা চক্রদা এক্স পোলো ক্লবকী টি ঐচ জেকোবনা পাঞ্জল অমা চনখি। মরিশুবা চক্রদা টিম অমত্তনা পাঞ্জল চন্নবা ঙম্মখিদবদগী এক্স পোলো ক্লবনা কে এন্দ এম এম রাইদিং ক্লবপু পাঞ্জল ৪-১ দা মায়থীবা পীখি।

HL-B/3779/23/32-24/4




Authorised Tata Motors Dealers

TIDDIM MOTORS :

Kwakeithel Opposite Imphal College Airport Raod, Imphal West, Manipur ( +91) 8014686437

*T&C Apply. All offers are from dealers. Total benefits includes cash offer + exchange bonus. Accessories shown may not be part of standard fitment. Exchange value as per evaluation by Tata Motors Assured only. Limited period offer on select models & stock only. Registration, Insurance & other charges to be paid as applicable. Finance at the sole discretion of the financier.




